ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



গভর্ণমেন্ট হিন্দি টিচরস ট্রেনিং কোলেজ অমসুং আই ক্যু এ সীনা শীন্দুনা কোলেজ অসিগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখিবা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎকী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা (লমায় ৮)


তাইবঙ মীনা তেনৱা ওল্লকপগী অৰাবা ৱারী ☛ লামায় ৪

লামায় ৫ ☛ ইরমদমগী পার্টিদা ভোট পীরসি, ইমা লৈবাক কল্লসি

লোনা য়াদবা থবক তৌবীগনু : এফ এম অনুৱার ☛ লামায় ৬

লামায় ৭ ☛ লৌশিং পূক্কে : ভিটামিন ৱাৎলকপা মতমদা হকচাংদা ...

সেন্টরনা লৈঙাক্কী শিন্নীশিংগী দি এ হান্নদগী চাদা ৪ ...☛ লামায় ৯

লামায় ১১ ☛ (মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা...


ওল মণিপুর লেদি এদভোকেটস এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎতা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ (ইম্ফাল ৱেষ্ট) আর কে মেমচানা থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবা



Vol. 47, Issue No. 337 | থাংজ, ফাইরেনগী ২৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, March 09, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে

## ইন্দিয়াগী লাংদা থুবদগী ফূরুপ ২ মূক্লবনি : অমোভা তংদু-লৈতাদ্রিঙৈদা মীখল পাঙথোকপা য়ারোই : নুপী মরুপ

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচএনএস) :** মালেমগী মফম পুম্নমক্তা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎকী থৌরমশিং পাক শন্না পাঙথোক্লখিবগা লোয়ননা ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভোলন্টরি এসোসিএসন (অমোভা) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানিনা মে ৩দগী ফূরুপ অনীগী মরক্তা থোরক্লিবা লান অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না থাকপা লাংদা থুখিবদগীনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।





জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিদা পাঙথোকপা থৌরমদা মহাক্না হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরগী মীয়াম্বু খাইবুং তাহন্নবগীদমক শিংচেপ থাদুনা লাক্লি। নুমিৎসিগী থৌরম অসি মালেমগী অতৈ মফমদা পাঙথোক্লবদগী অমোভানা পাঙথোক্লিবা অসিগা খরা খেন্নরে। থা ১০ হেনবগী লানগী চৈথেং নংলবা মণিপুরদদি অমোভাগী ওইনা 'লেট অজ কেরি দ ষ্ট্রগল ফোরৱার্দ' হায়বা ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকপনি হায়খি।

ফূরুপ কাঙলূপ ময়াম খুন্দামিন্নরিবা মণিপুরগী মীয়াম মরক্তা ঐগী অমদি ফূরুপকী হায়বা ৱাখল্লোন্দা লাক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শিংচেপ থারক্লিবনি। মরম অসিনা ৱাখলশিং অসি থাদোক্লদুনা ইরমদম অসি পূন্না ঙাকমিন্নসি হায়খি।

লান অসিনা মরম ওইরদুনা নুপীশিং অদুক্কী মতিক ৱারে। য়ুমদা তূম্বগী মহুত্তা লম্বীদা য়ারেক্লে। মৈরা পায়বীশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মণিপুরগী লান কোর্টকী ওর্দরদগীনি হায়রকপা বি জে পিগী মিনিষ্টর রিজিজুগী ৱাফম কোংগ্রেসনা চেলেঞ্জ তৌখ্রে

### লৈঙাক্কী অশোয়বা কুপশিল্লগা ফূরুপ অনী মূক্লরকপবু কোর্টকী ওর্দরদা তাইশিল্লকপা মণিপুরগী মীয়াম্বু অপঙবা শীবনি : মেঘচন্দ্র

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচএনএস) :** কুকি লমহেনবশিংনা হৌরকপদগী মীতৈশিংনা ঙাকথোক্তুনা শোক্নরক্লিবা থা ১১ চঙশিল্লক্লবা মণিপুরগী লান অসিগী মরম হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা ওর্দরদা তাইশিন্দুনা বি জে পিগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা লৈঙাক্কী অশোয়বশিং কূপশিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি মণিপুরগী মীয়াম্বু অপঙবা শীবনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।



কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা পি টি আইদা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা মণিপুরগী লান অসি ফূরুপ অনীগী মরক্তা মূক্লবনি অমসুং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওর্দর অমদগী থোরকপনি হায়রদুনা সেন্টর লৈঙাক্তা তাইনগনু

### লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদবা কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট ৩৯গী মমিং লাউথোকখ্রে

অমসুং সেন্টরদা তাইনবদি অপঙবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু অশোকপদা থুম থাকপা অমদি অচাকপা মৈদা থাও হৈবগী থৌওংনি। থা ১০ ৱা ঙাঙলক্ত্রগা মীখল ময়া য়ৌরকপদা ঙাঙলকপসি লাইবক থীবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঈরাং অমা থোক্লকপদা লাকশিনবা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি। মণিপুরগী ষ্টেট লৈঙাক্না ঈরাং অসি হৌরকখিবগী মতাংদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা অমদি ইন্টলিজেন্সকী অহোবা লৈখ্রে হায়বসি চীফ মিনিষ্টর মশানা ফাওবা য়াজখ্রবনি। মসিগী মথক্তা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক অনীমক্না ঈরাং অসি লেপহন্নবা থবক তৌরক্তবনা থা ১০ হেন্না চথরক্লিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## নাগালেন্দগী অঙ্গামি এরিয়াদা লৈবা মাওগী মীওইশিং তান্থোক্লগনি হায়রক্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচএনএস) :** নাগালেন্দগী কেপিটেল টাউন কোহিমাগী জখমাদা হেদ ক্বার্টর ওইরিবা সাউদর্ন অঙ্গামি পব্লিক ওর্গনাইজেসন (সাপো) না থা অসিগী ৬তা অইবা চেরোল অমা থোক্তুনা অঙ্গামিগী এরিয়াদা লৈরিবা মাওগী মীওইশিং হনখিগদবনি হায়বগী অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা কোহিমাদা হেদ ক্বার্টর ওইরিবা অঙ্গামি য়ুথ ওর্গনাইজেসন (এ ৱাই ও) গী মায়কৈদগীনা মণিপুরগী মাওগী মীওইশিং তকথোক্লগনি হায়রি।

ৱাফম অসি এ ৱাই ওগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরিনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ষ্টেট অনীগী মরক্তা চয়েৎনরিবা কেজোল্টসাদা মণিপুরগী ষ্টেট ফোর্সশিং থমজিল্লক্লিবসি মাও কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদনি হায়রদুনা থৌওং অসিমক্না কেজোল্টসাগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরকপদা অপনবা থোকহল্লে হায়রি।

মরম অসিনা এ ৱাই ওনা লূপ অসিগা চৎমিন্নবা অতোপ্পা লূপশিং ওইরিবা নায়ো, ৱায়ো, সায়ো অমসুং সী ৱাই ওগী মীহুৎশিং য়াওবা ইমর্জেন্সি এগজিক্যুটিভ মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা অঙ্গামিগী এরিয়াদা লৈরিবা মাওগী মীওইশিংগী মশীং থিদোকপগা লোয়ননা থা অসিগী ১৭ নৎত্রগা মসিগী মমাঙদা মণিপুর লৈঙাক্না চয়েৎনরিবা কেজোল্টসাদগী ষ্টেট ফোর্সশিং লৌথোক্ত্রবদি মাওগী মীওইশিং তকথোকপা হৌরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ৬তা সাপোনা মখোয়গী এরিয়াদগী মাওগী মীওইশিং চৎখিনবা খঙহল্লকপদগী মণিপুরগী দি জি পিনা নাগালেন্দগী দি জি পিদা মাওগী মীওইশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগীদমক মতিক চাবা সিক্যুরিটিগী ঙাকশেল থৌরাং লৌখৎপীনবা হায়জখিবনি।

## কিদনেপ তৌখিবা আর্মিগী নাইব সুবেদার খেদা রেস্ক্যু তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়ন আর্মিদা জুনিয়র কম্মিসনদ্ ওফিসর (জে সী ও) গী রেঙ্কতা লৈদুনা নাইব সুবেদার ওইনা উরিষাদা পোষ্টিং তাবদগী ছুটি থোরক্তুনা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈরকখিবা কোন্সম খেদা (৪০) অপোকপা কে রাজমনি কৌবা ওফিসর অমা ঙসি অয়ুক পুং ৮ লোম তারকপদা মশাগী থোঙ্গালদগী বোলেরো অনী অমসুং কার অমদা লাকপা শকখঙদবা মীওই ১০ রোম্না নোংমৈ চিংদালদা ফারগা পুখিবদু তেক্তা কায়দনা রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে।

পাউসিনা হায়বদা মহাকপু মশক খঙদবা মীওইশিংনা নোংমৈ চিন্দোলদা ফারগা পুখ্রে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, টি ঐচ বিক্রমজিৎ মশা য়াওনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকা খূৎশম্নদুনা মহাক্কী খোঙ্গুল লীরকপদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম

### কিদনেপ তৌখিবা এম দি কুদুস থাদোরক্লে

### য়োৎতেক-থাঙতেক খোম্বা ময়াং অমদি মফম খঙদ্রে

পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা ৱাইখোং পি এসকী মনুং চনবা মফম অমদগী তেক্তা কায়দনা রেস্ক্যু তৌখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক মহাক করম্বা মীওইশিংনা করিগীদমক কিদনেপ তৌদুনা পুরুরিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মহাক্কী খোঙ্গুল লীবগী থবক্তা আর্মিগী কলম অমনসু পুলিসকী মতেং পাংখি হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.১৫ রোম তারকপদা ৱাঙ্গোই পি এসকী মনুং চল্লিবা ওইনাম লমখাইগী মফম অমদগী শকখঙদবশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মোরেদা কুকি লমহেনবশিংনা মুলহৌবা ত্রক মৈ থাদোক্লল্লে, কুকি ১ আই ঈ দিগা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচএনএস) :** মোরেদা লৈবা পুলিস কম্মান্দোশিংগী কমপ্লেক্স রিপ্যারিং তৌনবগীদমক ইম্ফালদগী লৈঙোই পুরগা চৎখিবা ত্রক অমা কুকি লমহেনবশিংনা ফারগা ত্রক অসিগী দ্রাইভর অমসুং হেন্দমেন শিনীংচিৎতা ফূরগা থাদোরক্লবা মতুংদা ফাজিন্দুনা থমহৌখিবা ত্রক অদু মৈনা তুম্না থাদোক্লল্লে।

ঙরাং নুংথিল থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি অয়ুক্তগী হৌরদুনা ত্রক অসিগী খোঙ্গুল লীরুবদা গাড়ী অদু মোরেদগী ইম্ফাল লোমদা কিলোমিটর ৩ লোম লাক্লগা লৈবা বাই পাস লম্বী অমগী ময়াদা মৈ থাদোক্লগা লৈরম্বা থেংনখিবনি হায়রি।

ত্রক এ এস-২৫/এফ সী-০৭৮৭ অসিবু তুম্না মৈ থাদোক্লম্বদা গাড়ী অসিগী টায়রশিং অমসুং ইঞ্জিন য়াওনা অয়াম্বা শরুকশিং চাক্লল্লে হায়রি।

পনবা য়াবদি, কুকি লমহেনবশিংনা ত্রক অসিনা কম্মান্দো কমপ্লেক্সতা লৈঙোই থাদরল্লগা ইম্ফাল তম্না হল্লকপগী লম্বীদা ফাখিবনি অদুগা অমুক হন্না মোরেদা লৈবা কম্মান্দোশিংগী মখল অমত্তগী পোৎলমশিং পুরকপা য়ারোই হায়দুনা অকনবা ৱার্নিং তৌরকপগা লোয়ননা দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেনগী মোবাইল ফোনশিং মুলহৌরবা মতুংদা শিনীংচিৎতা ফূরগা থাদোরকখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মোরে পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে। অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপা লৈখিদ্রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২



### 'করপসন' গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Relief Campsingda changjapham louribasingna Lok Sabha Meekhalda harao-harao saruk yaduna vote thadaninggadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Relief Campsingda changjapham louribasingna Lok Sabha Meekhalda harao-harao saruk yaduna vote thadaninggadra?

Yes 0% No 100%

### অস! লোইরেহে!

- য়া-য়া-য়া-য়া-য়া-হো!



- চাবী থকপী ... ভোট ভোট।

## 'কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈদা লেপ্তুনা লান্দারক্লবসু লৈঙাক্না লেপহনবা ঙমদ্রে'



**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচএনএস) :** তরাগী চৈশুগী চেয়রমেন খাইদেম মনি (সিনিয়র এদভোকেট) না থা ১১ চঙশিল্লক্লবা লান অসি লোইশিনবা নাইদবদগী মীয়ামদা অঙকপা ফংনা অৱা চৈথেং পীরে হায়রদুনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈদা লান্দারক্লিবসি হৌজিক ফাওবদা লৈঙাক অসিনা লোইশিনবিদ্রে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

পোরোম্পাৎতা লৈবা লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা চেয়রমেননা মখা তানা হায়, মরম অসিনা ঐখোয় পুম্নমক পূনশিন্নদুনা থেংনমিন্নরসি হায়না মীপূম খুদিংমক্না অমসুং লৈঙাক্না ফাওবা হায়খিবা লৈখ্রে। অদুবু পূনশিন্নবগী মহুত্তা হৌখিবা থা খরসিদা লূপ মশীং ওইনা হেনগৎলক্লে। মণিপুর কনগদবনি হায়না লাউরিবা লূপশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মণিপুরদা নারোন্দা লিৎশিল্লকখিবা ম্যান্মার মচাশিং মরমদা হলহনবা হৌরে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচএনএস) :** লৈবাকসিদা চৎনরিবা 'ফোরেন্নরস এক্ট' গী তোঙান তোঙানবা মরী লৈনবা প্রোভিজনশিং থুগাইরগা মণিপুরদা নারোন্দা লিৎশিল্লকপদগী তোঙান তোঙানবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফারগা থল্লকখিবা ম্যান্মার মচাশিংগী মনুংদগী মীওই ৭৭ অমুক হন্না মশাগী মরমদা হলহন্নবগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্না লৌখৎলকপা থৌরাংগী মনুং চন্না ঙসি অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মীওই ৮ ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী হেলিকোপ্টরনা মোরে তম্না থিন্দোকখ্রে।

ম্যান্মার মচা ৮ অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩৫ রোম তারকপদা হেলিকোপ্টরনা এয়রপোর্টতগী মোরে তম্না পুখিবনি। অদুগা মখোয়বু মফম অদুদগী মোরেগী সব দিভিজনেল পুলিস ওফিসরগী খূথাংদা ম্যান্মার লৈঙাক্কী তমুদা লৈবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা অমুক খূৎশিন্নখিগদবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা ঙসি অহানবা ওইনা ম্যান্মার মচা ৮ মরমদা হলহন্নবগীদমক পুখ্রিবা অসি শজিৱা জেল মনাক্তা লৈবা ফোরেন্নরস দিটেন্সন সেন্টরদা থল্লকখিবশিংনি। ঙসি মখোয় ৮ পুখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবশিংসু থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা মোরে ফাওবা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী হেলিকোপ্টরনা পুগনি হায়রি। মসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থা অসিগী ৫দা ওর্দর অমা থোক্তুনা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

মখোয়বু ইম্ফালদগী মোরে তান্না হেলিকোপ্টরনা পুবদা অচংবা শেনফমশিং ষ্টেট লৈঙাক্না পুথোক্কনি। অদুগা করিগুম্বা থবক অসি লৌখৎলকপদা মখোয়না ষ্টেট লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মখূৎতগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবা তারবদি মখোয়গী মথক্তা মখল অমত্তগী ৱারেন্ট ইস্যু তৌদনা অমুক হন্না ফাজিল্লগা দিটেন তৌদুনা থমগনি হায়রি।

থৌরাং অসিগী মনুং চন্না মরমদমদা হলহনখিগদৌরিবা ম্যান্মার মচা ৭৭ অসিগী মনুংদা নুপী ৫৫ অমসুং অঙাং ৫ য়াওবগা লোয়ননা লেমহৌরিবশিংনা নুপা ঙাক্তনি। ঙসি পুখ্রিবা মখোয় ৮গী মনুংদা ৭না সগাইং রিজনদগীনি হায়রি।

## মালেম থোঙামগী খোঙজং হন্দ্রি





**ইম্ফাল, মার্চ০৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা তংদু-লৈতাবা পুরক্কদবনি হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তকশিল্লদুনা মমাঙ থাগী ২২দগী চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মালেম থোঙামনা ঙসিসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফম্বীশিংগা লোয়ননা শামু মখোঙদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ঙসি নুপীশিংগী নুমিৎ পাঙথোক্লবসু মণিপুর নুপীশিংগী খোল্লাওদি লৈঙাকসিনা তাবীদ্রে হায়রদুনা মহাক্কী দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা মখা তানা চঙশিনখিগনি হায়খি। অদুম ওইনমক পুলিসনা মহাকপু মফম অসিদগী লৌখৎলগা জেনিমসতা ত্রিটমেন্ট পীরবা মতুং অমুক থাদোরকপদগী খুরাই সলানথোংদা মখা তানা খোঙজং চঙশিনখি।

## 'চূড়াচান্দপুরদা মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থারকপদা পুলিস ১তা মশক উগে হায়বদা ফংখিদে'

### হকথেংনবা পাউদম

*চূড়াচান্দপুরগী খুঞ্জা অমা*

(ঙরাংগী মখা...)

তোংৱম অবেনা মখা তানা হায়, অহিংদুদা কাপ্লকখিবা নোংমৈগী মখোলশিংনা তূম্বসু য়াদে, পাখৎপনা মীহুল নে তানা হুনখিদে। মসিগী মথক্তা কুকিশিংনা লাউ-খোংখি। ঐখোয়না চঙজফম লৌরিবা চীংগী ইমুং অদুগী মীওইশিংনা নখোয় মীতৈলোল ঙাঙগনু অমসুং তূমিন-তূমিন লৈয়ু হায়রকখি। তাঞ্জা অদুদা চূড়াচান্দপুরগী মীতৈ লৈকায়গী য়ূমশিংসু মৈ থারে হায়রকখি। অহিংদুমা শুংতূম তূমদনা নোংঙানবা ঙাইখি। অদুবু নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তারকপদদি খরা নেমথরকপগুম তৌখি। নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ লোম তারকপদা পুলিসনা মীতৈশিং লৌবা লাক্লে থোক্লরক্লো হায়দুনা টেলিফোন পংতৌদা তৌনরকখি। ৱাফম অদুদগী ঐখোয় পাইতেগী য়ূম অদু থাদোক্তুনা থোরক্লগা চূড়াচান্দপুরগী মীতৈ সোসাইটিগী ওফিসতা লৈখি। সোসাইটিগী ওফিস অদু খুগা তম্পাক্তা লৈবনি। পুলিস লাক্লে হায়রবসু ফনা কুইনা ঙাইখি। মখোয়না ঐখোয়বু লম্বীদা হোইদোরকখি অদুবু ঐখোয়বু কদাইদা পুগদোইনো হায়বা খঙখিদে।

ঈরাং অদুদা পাখৎপদগী করিমত্তা চারকখিদবা ইচানুপা অহল ওবা হৌরকখি। লম্বীদা লাকপদা থুগাইরল্লবা মীতৈগী দুকান অমগী মনুংদা ঈশিং বোট্টলশিং য়াওবা পেকেট অমা উরকপদগী সিফাইশিংদুদা ঈশিং লৌবীনবা হায়জখি। মখোয়না ঈশিং পুরকপদদি লাকমিন্নরিবা ময়াম মুন্নবদা বোট্টল অমদগী হেন্না ফংহৌখিদে। সিফাইশিংনা অহানবা ওইনা মীতৈশিং গাড়ী মপোৎ অমা পুখ্রে। মখোয় অমুক হল্লকপা ঙাইরিঙৈদা অহল অমা বি পি ষ্ট্রোক তৌরক্লিলা নৎত্রগা হার্ট এটেক তৌরকপনরা খঙদে ইমাংদা তুথরক্তুনা খুদক্তা শিখি।

লৈখিদ্রবা মীওইদুগী হকচাং এম্বুলেন্সনা পুখিদুনা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মোর্গতা অদুমক লৈহৌরে। ঙাইহাক লৈরগা সিফাইগী গাড়ী লাক্লবা মতুংদা ঐখোয় তোংখৎতুনা তুইবোংগী মিনি সেক্রেটরিএটতা থল্লমখি। ঐখোয় পুরকপা উবদা লম্বীদা লৈরম্বা কুকিশিংনা নূঙনা থোমজিল্লকখি। ফীভম অদুদা ঐখোয় মফম অদুদা লৈবদা শাফরোই হায়দুনা মোইরাং তাম্না থিনবীয়ু হায়জখি। তাল্লক্তুনা ইচাশিংনা চাক লাল্লে হায়দুনা নিংঙাই তৌরকখি। ইপুরোইবনা আই আর বি পর্সনেলশিং চাক চারম্বা থেংনরে হায়দুনা চেরংদা চাক খরা য়োল্লগা পুরকখি।

লেকথরক্তুনা লৈখিদবা মীওইদু নুপীনি, চহীসু য়াল্লে। মীপূম খুদিংমক থৱায়তবু হিংহৌরবদি খন্নখিবনা মহাকপু এম্বুলেন্সতা হাপ্তুনা পুখিবদা কনামত্তনা করিসু হায়খিদে। অদুগা মহাক কনানো, করম্বা মীতৈ খুলদগীনো হায়বসু খঙখিদে। মোইরাং তান্না থিনবীয়ু হায়জবদগী সিফাইগী গাড়ী লাক্তুনা কাখৎনরবা মতুং মোইরাং য়ৌরকপদদি ইমাগা ইচন্নুপীগা য়াওরমদ্রে। অদুবু মে ৯দদি মখোয়সু অমুক পুবীরকখি। মোইরাং য়ৌবদগীদি থাঙ্গদা লৈবা ইপামদা চৎলগা থা ৩ লোম লৈরম্লবা মতুং থাংমৈবন্দগী রিলিফ কেম্পসিদা লৈরক্লিবনি হায়রদুনা শেৎলি-চারিবা ফিরোলশিং অসি নত্তনা করিসু পুরকপা নংখিদে। ৱানা শূ-নোমদুনা তাঞ্জরকপা ইরল-ইথুমশিং মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রে। খুগা তম্পাক্কীদি য়ূমশিং মৈ থাবদা নত্তনা পুল্লপ তেমখাইখিদুনা য়ূম্ফম ফাওবা করম্বনো খঙদ্রে হায়রকখি।

মরম অসিনা পেন্দবগী পেন্দবা ঙাক্তনি হায়রদুনা অথুবা মতমদা লান অসি লোইশিন্দুনা মণিপুর লৈঙাক্না ঐখোয়বু য়ূমদা হলহনবীয়ু। রিলিফ কেম্পতা ফনা নুংঙাইনা থম্বীরগসু ইশাগী য়ূমদা লৈনীংই। ঙসি ফাওবদা কুকিশিংনা তৌরিবমখৈ লৈঙাক্না য়াদুনা লৈরিবা করিগীনো হংলকখি।

অদুগা হৌজিক লান লোইদ্রিবা ফীভম অসিদা ইলেক্সন তৌরকপা য়ানীংদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## জষ্টিস গাইফুলশিল্লুনা শরুক য়াদুনা শজিৱা জেলদা নুপীশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ০৮ (ঐচএনএস):** হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলশিল্লুনা শরুক য়াদুনা ঙসি মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, ইম্ফালদা থল্লক্লিবা নুপী ইনমেটশিংগা পূন্না 'ইন্সপ্যার ইনক্লুজন' গী মখাদা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা পূন্না খূৎশম্নদুনা শিনবনি।

থৌরম অসিদা মহাক্না, নুপীশিং অসি নুপা অয়াম্বনা তৌবা ঙমদবা অরুবা থবকশিং পাঙথোকপা ঙম্বা লাইনা শেম্বীরকপা অখন্নবা খূৎশেমনি হায়রদুনা জেলদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫